ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, নবেম্বর ০৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২১৮শুবা মশীং

## ককচীংদা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল নাখৈ শেংদোক্লবনা পূন্নমক্কী ফগনি

পীক্লবসু মণিপুর ফুরুপ-কাঙলূপ ৩০ হেনবগী মীওইশিংনা পূন্না খুন দাবা ষ্টেটনি। ফুরুপশিং অসিগী মনুংদা চাকচা-য়ুথক মান্নদবা, লাইনীং-লিচৎ তোঙান্নবা, মশাগী লোন-ময়েক লৈজদবা, লৈজবশিংগী মরক্তসু অমগা-অমগা খেন্নবা কয়া য়াওরি। ওইরিবা ফীভমশিং অসিদগী মণিপুরবু 'মিনি ইন্দিয়া' অমনি হায়বগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোক্নরক্লিবনি। চুমসু চুম্মী। অদুগা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ-কাঙলূপশিং লৈবগী হৌনবা কাঙলূপ অমগী নৎত্রগা মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা, থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোকশিং থোকই। থোরক্লিবশিং অদুগী মনুংদা মরম চাবসু য়াওই অদুগা চাদবসু য়াওই। মসিনা কাঙলূপ-ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনহন্দবা, মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীবা, ঈং-তপ্পা অমসুং অমত্তা ওইবগী শক্তমদা খুরৌ থাংবা অমসুং য়ৈখাই থিনগাইবা থোরকহন্নবগী মচাকশিং ওইহল্লকই। ফীভমসিমক হৌজিক ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা থোরক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা কূপ্না অমসুং চেকশিন্না য়েংহৌদবা য়াদবগী ফীভমদা লাক্লে হায়নীংই। মরমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর/দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং সব-দিভিজনেল ওফিসর/সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট অনীবু মখোয়-মখোয়গী সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরক্লে। দিমান্দসি নবেম্বর ৩, ২০২২গী নুমিদাংদা মোলনোইগী মফম অমদা নুমিদাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ত্রাইবেল রাইটস প্রোটেক্সন কম্মিটি (চান্দেল অমসুং তেংনৌপল) গী প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টনা পাউমীশিংদা লাউথোকখিবনি। মখোয়গী দিমান্দসি নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়নসু লাউথোকখি। অদুগা করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোক্ত্রগনা মখল কয়াগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়খিবনি।

কম্মিটি অসিনা তাল্লক্লিবা দিমান্দসি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী আর্মদ পুলিস পর্সনেলশিং শীজিন্নদুনা 'চান্দেল' অমসুং 'তেংনৌপল' দিষ্ট্রিক্ট হায়না ইবা/থাবা সাইনবোর্দশিং মূত্থৎখি হায়বা ৱাহৌদগীনি। অদুগা মূত্থৎপগী থবক্না পাউগী মীফম পাঙথোকখিবা নবেম্বর ৩, ২০২২দা চত্থখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি। কম্মিটি অসিগী মকোক থোংবা থৌপুবশিংনা ফোঙদোকখ্রিবা ৱাফমশিং অসিগী মনুংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা মূত্থৎলন্লে হায়রিবসিদি অচুম্বা ওইরমগনি। মূত্থৎলুবদগী মূত্থৎলে হায়রকপা শোয়দনা ওইরমগনি। অদুবু কম্মিটিনা খন্থগদবনা থবক অসি করিগীদমক ককচীং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী চত্থরক্লিবা করিগীনো হায়বসিনি। মরম লৈতনদি মূত্থৎলক্লোই। মরম লৈরগা মূত্থৎলক্লিবনি। মসিগীসু মথক্তা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী এস দি ও/এস দি এমনা ওক্টোবর ৬, ২০২২দা নোটিফিকেসন অমা থোকখি হায়রি। নোটিস অদুগী মতুংইন্না ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়া (জ্যুরিসদিক্সন) মনুংদা লৈবা খুল/লৈকায় অমসুং মখল কয়াগী ইষ্টাব্লিশমেন্টশিংগী সাইন বোর্দশিংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী নত্তবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মমিংশিং শীজিন্নদুনা ইশিনগনু/থাজিনগনু। য়েকশিন/ইশিনবা য়াওরগসু লৌথোক্লবা অমসুং মূত্থৎনবা খঙহনবা ওইরমাল্লে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী থোরক্লিবা ৱাফমসি থবক্তা ওন্থোক্তবদগী থৌওইনা চৎলগা মূত্থৎখিবনি হায়রি। থবকসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লোগী মতুংইন্না চত্থরকপা ওইরগদি কম্মিটিসিনা দি সী/দি এম অমসুং এস দি ও/এস দি এমবু সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরকফম থোকপ্রা? অচুম্বা দিমান্দ ওইবা য়াগদৌরিব্রা? অদুবু দিমান্দসিমক অচুম্বা ওইদ্রবসু কম্মিটিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা 'চান্দেল' অমসুং 'তেংনৌপল' দিষ্ট্রিক্টশিং হায়দুনা থারম্লিবা অসি মখোয়গী খুলশিং অসিনা চহী কয়াগী মমাঙদগী হাওস টেক্স য়াওনা মখল খুদিংমক্কী টেক্সশিং চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টশিংদা পীদুনা লাকই হায়বা 'মা য়াওরি। মস্বাইদদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেম্নকপদা য়াওখিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা দিমার্কেসন নীংথিজনা তৌহৌদ্রে হায়বা নৎত্রা? অসিগুম্বা থৌদোকসি অরিবা দিষ্ট্রিক্ট ৯গী মনুংদসু লৈরি। মরম অসিনা মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরক্তনবা নাখৈ শেংদোক্নবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) **''ৱাখলগী লৈকোল''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **''থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) **''ৱাকৎ''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪) **''জনান্তিক''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?
৫) **''অওনবা সমাজ''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন‌া খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### লৌমীশিংগী কাখল

## মণিপুরদা তিলহৌগী পোথোক হন্থবগী মরমশিং - ৩

ডো. এম থোইথোই সিংহ

তিলহৌ পাম্বীনা হৌরিঙৈ অমসুং খাওরবা মতুংদা নাগনবা কোকফাইনা থোকহনবা লায়নাশিংগী মনুংদা দাউনি মিলদিউ, পর্পল ব্লোটচ, ষ্টেমফাইলিয়ম ব্লাইট, ওনিয়ন স্মট, ব্লেক মোল্ড, বেসেল রোট, হ্বাইট রোট মমিং পনবা য়াই।

**দাউনি মিলদিউ :** লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পাম্বী মথিক নেম্মী, মচু শংজরবসু তাইফেৎ তাইনা লৈগনি। লায়না অসি পাম্বীগী মফম শিন-থুংনা শন্দোকই। নুংশিৎতা ঈশিং মনিল ৱাংবা, লৈচিল নোংফাই থাংবা মতমদা তিলহৌ মনা পূন্নমক মঙ্গ্রা মচু চঙলপ তৌবা কোকফাই অমসুং কোকফাই মরূশিং নপ-নপ্তুনা লৈ। অদুবু নুংশা লাংবা খরা হেন্না কংলপ তৌবা মতমদদি মচু তাইফেৎ তাইবা, ঙৌরুনবা মচু মপাক মপাক ওইনা লৈবা থেংনগনি। মনাশিং মশা খরা হেন্না শোক্লবা মফমদা তেক্তুনা হাইথবা অমসুং মতোন থংবা শরুক্তু কংশিল্লকপা থেংনগনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** ১) ঈশিং চাইবদা তিলহৌ মনাশিং পুং অনী ফানা মনা চোৎলোইদবা মতম খল্লগা পাঙথোক্কনি। মতম শাংথনা চোক্তুনা লৈরবদি লায়নাসি তাগল্লি।

২) তিলহৌ মনাশিং চোৎলিঙৈদা মী চঙহন্দবা ফৈ।

৩) নুংশিৎ অমসুং নুংশা মরাং কায়না ফংবা মফমদা তিলহৌ থাগনি। নুংশিৎ মরমগা তিলহৌ পরেংগা মান্নহনগনি; মনাশিং থুনা কংহন্নবা অমসুং মনা তেক্তনবা।

৪) Sprinker নৎত্রগা Rain pipe কী মতেংনা ঈশিং পীবা লায়নবা অমসুং লায়না লাক্তনবা ফৈদোম ৱাংনা চিংখৎকনি।

৫) পাম্বীশিং চাওবা হেলহনবদা মতেং পাংবতা নত্তনা লায়না অসিবু লাকশিনবা ঙম্বা Subwell (<u>Bacillus subtilis</u>) মিলিলিটর ৮০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নুংথিলগী মতমদা কাপথোকপীগনি। নুমিৎ ১৫নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

৬) Metalaxyl অমসুং Mancozeb কী অপূনবা হীদাক গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপসু য়াই। অদুবু কেমিকেল ওইবা হীদাক শীজিন্নদবা হায়বসিনা হেন্না ফৈ।

**পর্পল ব্লোট :** মনা অমসুং মপাল শারিবা মখোক্তা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা দাগশিং লৈরম্বদগী কোনা মচু চঙলকই। মতুংদা মঙ্গ্রা মচু মান্না মপাক মপাক পোকথোকপা থেংনগনি। মপাল শারিবা মখোক অদু লায়না অসিনা শোকহল্লবা মফমদুদা তেকথরক্কনি।

**ঙাকথোক্লনা পান্থৈ :** ১) ঈশিং ৱাংবা অমসুং খরা হেন্না শাগৎপা মতমদা তাগল্লি। মনা মতম কুইনা ঈশিং চোৎহন্দনবা হোৎনগনি।

২) Mancozeb 75% WP গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই।

৩) Subwell (<u>Bacillus subtilis</u>) মিলিলিটর ৮০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নুংথিলগী মতমদা কাপথোকপীগনি। নুমিৎ ১৫নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

**ষ্টেমফাইলিয়ম ব্লাইট :** মনা কাথেকপী লায়না অসি হৌরকপদা মনাগী শরুকশিংদা শংলি-শংলি তৌনা তিম্থুন নাপুন মচু চঙবা অশাংবা (ময়ুংলোমদা) দাগশিং লৈরম্বদগী দাগশিংদু কংশিল্লকপা থেংনগনি।

**ঙাকথোক্লা পান্থৈশিং :** পর্পল ব্লোটচকা মান্নে।

**ওনিয়ন স্মট :** নৌনা হুনবা, পোকখায়রবা মতুং নুমিৎ ৭-৮ মুক শুরবা মনা থিনগৎলকপা পংকুই কুইদ্রিবা তিলহৌ মরূশিংদা লায়না অসি তাগল্লি। মনাশিংদা অমুবা থাগৎলপ তৌবা দাগশিং লৈগনি। মসিনা মরম ওইদুনা মনাশিংদু কোন্থ-কোন্থনা লৈবা থেংনগনি। ফুগ্রিদৌনা তোঙথোকপা দাগ কয়া তিলহৌ মরূগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা থেংনগনি। হায়রিবা দাগশিং অসি কায়রকপদা অকুপ্পা অমুবা লায়না অসিবু মখা তানা শন্দোকচবা ঙমজবা কোকফাই মরূ কয়া থাদোকপা থেংনগনি। লায়না অসি নারবা তিলহৌ পাম্বীশিংনা চয়োল ৩-৪গী মনুংদা শিগল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈশিং :** ১) মরূদা হীদাক তোৎহৌবা নত্তনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ওর্গানিক ওইবা লায়না অসি ঙাকথোক্লবা থৌরম লৈত্রি। অদুবু লায়না অসি তাখ্রবা মফমদদি চহী অহুমগী ওইনা তিলহৌ থারোই।

২) ঐখোয়না থানরিবা তিলহৌ মরূশিং হান্নর Thiram তোৎলক্লবনিনা লায়না অসিগীদমক কা হেন্না ৱানীংঙাই ওইদ্রে।

**ব্লেক মোল্ড :** খাওরবা তিলহৌ মরূশিংদা অমুবা কোকফাই হাইগৎতুনা তিলহৌ মরূশিংবু মশক থীহল্লি। তকথোক-নান্থোকপদা মশা নান্না লৈ, তিলহৌ মরূদুদা করিসু অকায়বা পীদবা মাল্লি। অদুবু অসুম্না কোকফাই হাইগৎতুনা লৈরবা তিলহৌ মকুশিং মথং মথং পৎশিল্লক্তুনা মনুং য়ৌরকই। হায়রিবা থবক অসি ঈশিং মনিল ৱাংবা অমসুং খরা শাগৎপা মফমদা তৌগল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈশিং :** মমাঙৈদদি লীরমদাইদা হিদাক কাপথোক্লরবসু ঙসিদি চৎনদ্রে। লীরমদাইদা খূৎলায় নৎত্রগা লায়না তীলনানা শোক্লবা তিলহৌ মরূশিং মপুং ফানা খন্দোক্লগা অফবা লায়না চেন্দ্রবা তিলহৌ খক লীগনি। অঙৈংবা, অকংবা, নুংশিৎ মরাং কায়না ফংবা মফমদা থমগনি। ●

---

## নেচরেল ফার্মিং (মহৌশাগী ওইবা লৌউ কাঙলোন)

- এস সুমঙ্গল -

হৌজিক্কী মতমদা ঈহৌ অমা ওইনা লাক্লিবা নেচরেল ফার্মিং (মহৌশাগী লৌউ) গী কাঙলোনশিং অসি তোঙান তোঙানবা মফম মফমগী অকোয়বগী ফীভমগা চানবা মওংদা মথন্তা ওইজরকপা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা লৌউ পথাপসিবু ওর্গানিক ফার্মিং, ইকো ফার্মিং, সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর নৎত্রগা হৌজিক হৌজিক মরু ওইনা নেচরেল ফার্মিং হায়না অখঙ অহৈশিংনা কৌনরি। মসিবু পায়খৎপদা শীজিন্নরিবা পোৎচংশিং-পাম্বী মখল, হার, তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা খুদিংমক অসি মফম মফমদুগী ফীভমগা চানবা খন্দুনা শীজিন্নবা ঙাক্তনি। খুদম ওইনা হায়রবদা শীজিন্নরিবা পোৎচংশিং অসি মশাগী ফার্ম নৎত্রগা মনাক নকপা মফমশিংদগী পুশিল্লক্লগা শীজিন্নবনি। মসিনা মরম ওইরগা কৈথেলদগী পোৎচঙ লৈদ্রে, লোয়ননা শেঞ্জং হন্থহল্লি।

কাঙলোন চুম্না চাং চাবা লৈবাক লৈহাও থম্বগা ইরোয়ননা চহী অমগী মনুংদা অনীরক অহুল্লক তোঙান তোঙানবা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসিনা মহৌশাগী লৌউগী মরু ওইবা পান্দম ওইফম থোকই। মসিনা লম মচেৎ অমদগী পোথোক য়াম্না পুথোকপদা নত্তনা শা-ষণগী মচিঙ্গাকসু পীবা ঙমহল্লি। য়োক্লিবা শা-ষণগী মথি ময়ুংনা - খুদম ওইনা ষণ-ইরোই, ঙানু-য়েন, হামেং নৎত্রগা ওক্কী ওইনীংবসু ওইসনু মখোয়গী মথী ময়ুং অফবা মখলগী হার ঙাক্তনি। মসিনা লৈহাও কাহনবা ঙম্বা হিংকুপশিংসু মশীং হেনগৎহন্দুনা পোথোক মশীং য়াম্না পুথোকপদসু মতেং পাংই লোয়ননা শাশিংগী মচিঙ্গাকসু পীবা ঙমহল্লি।

থাননবা পাম্বী খনবদসু মফমদুগী ওইবা চানরবা মওংদা খনবনা মফমদুগী ফীভমদা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা পাম্বী মখলশিং মথং মথং থাবনা লৌফমদগী ঈশিং চেন্থদুনা মাঙবসু হন্থহনবগা লোয়ননা ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী ফীভমসু ফগৎহল্লি। অসুম্না ঈশিং কা হেন্না চঙবদগীসু কনবা ঙমই।

পোৎ হৌদবা লমহাংনচিংবা লৌউ-শিংউ পায়খৎপা য়াদবা মফমদা অয়াম্বা মতমদা লৈবাক অদু কংদুনা লৈ অদুবু মহৌশাগী লৌউ পায়খৎলবদি মফমদুদা হিংকুপশিংগী মথৌ তৌহন্দুনা লৌ উবা য়াহল্লি। মহৌশাগী লৌউদা শা-ষণ য়োক্লকপা মরম্না লৌ উবা য়াদবা মফমশিংবু শেমগৎপদা চাউনা মতেং পাংই।

**হিংননবা মচাক পীবা অমসুং শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা :** মহৌশাগী লৌউদা মফম মফমদা (লোকলদা) ফংলিবা মপোৎশিং শীজিন্নদুনা শা-ষণগা পাম্বীগা পুনশিন্দুনা অমদি মল্টিপল ক্রোপিং (চহী অমগী মনুংদা পাম্বী অমগী মথংদা অমা লেপ্তুনা থাবা) তৌবনা শেঞ্জং হন্থহনবতা নত্তনা পূন্নমক্তগী শেল লাক্লবগী মচাক হেনগৎহল্লি। অমরোমদনা মহৌশাগী লৌউ হায়বসি মফম মফমদুগী মহৌশাগী ফীভমদসু য়াম্নমক তাংজরিবনি। খুদম ওইনা উমং লৈবা মফমদা এগ্রোফোরেষ্ট্রিগী (লৌউ পাম্বীগা উ ৱাগা পুনমিন্নবা) মোদেল অমা শেমদুনা পায়খৎপা মতমদা মখল মখা কয়াগী লৌউ পাম্বী কয়া অমা থাদুনা মফমদুগী থৱায় পানবশিংগী (বাইওদাইভর্সিটি) মশীং হেনগৎহনবতা নত্তনা চিঞ্জাক পাম্বী নত্তবা খোই, ৱা, তেজপট্টা অসিনচিংবা পুনশিন্দুনা ইকো সিষ্টম ফগৎহল্লি। লোয়ননা মখল মখা কয়াগী পোথোক পুথোকই। লোয়ননা মপান্দগী খূৎশেমগী ওইবা হীদাকশিং শীজিন্নদবা মরম্না পুথোক্লিবা চিঞ্জাক্তুগী মগুণ হেল্লি, মচন শুবা চিঞ্জাকসু ফংদুনা ইমুংদুগী মীওইশিংগী মশা ফবসু হেল্লি। লোয়ননা অসুম্না পুথোকপা পোৎলমশিং মমলসু কানা য়োনবা ঙমহল্লি।

**মহৌশা লৌউগী মরু ওইবা থৌওংশিং (প্রিন্সিপল) :**

১) চহী চূপ্পা বাইওদাইভর্সিটিবু কোনশিন্দুনা মসিবু ঙাক শেনবা হেনগৎহনবা।

২) মখল মখা কয়াগী লৌউ পোথোক/পাম্বী উ থাবা-

- চহী অমগী মনুংদা অওন পোথা অমদি পুনশিনবা য়াবা মহৈ মরোংশিং পূন্না থামিন্নদুনা ফৈনা অমদি য়ুংনা (ভর্টিকেল্লি অমসুং হোরাইজেন্টল্লি) পোথোক মশীং হেনগৎহনবা।
- পুনশিন লৌউ য়াননবা মওংদা শেম শাবা।
- চহী চূপ্পা অহিংবা মরাশিং থমদুনা লৌফম্থু অশংবা পাম্বীনা কুপ্তুনা থম্বা।
- মনা মশিং অমসুং উহৈ পাম্বীশিং মতম লোনশিন্নদুনা থামিন্নবা - (ইন্টর অমসুং রিলে ক্রোপ্পিং তৌবা)।
- মফমদুগী ঈশিংগী খুদোং চাবা অমদি অঙৈং-অশা/নোংজু নুংশাগী ফীভমগা চান্ননা পোথোকশিং থানবা হোৎনবা।
- নোংগী ঈশিং ফাজিন্দুনা য়োকশিনহৌনবা পান্থৈশিং - খোংবান, পুখ্রি অমদি ঈশিং পুথোক পুশিনগী তোঙানবা এনর্জিগী পান্থৈশিং থম্বা।
- নুংশিত্তগী ঈশিং ঈনিল ফাজিনবা ঙম্বা অমদি লৈবাকপু চহী চূপ্পা ঈনিল ফংহনবা ঙম্বা মওংগী পোথা ফংনবা শেম শাবা (দিজাইন)।
- পাম্বী অমদি শা-ঙা থৱায় পানবশিংনা পত্থ পুমথদুনা ওইরকপা মচল (ওর্গানিক মেট্টর) হেনগৎহন্দুনা ঈনিল ফাবা ঙম্বা লৈবাক লৈহাও ওইহনবা (কম্পোষ্টিং)।
- মাইক্রো ইরিগেসন (দ্রিপ, স্প্রিঙ্কলরনচিংবা) তৌদুনা ঈশিং মাঙহন্দনা লিক্লা চনবগী কান্নবা হেনগৎহনবা, মতিক চাবা ক্রোপিং সিষ্টম শীজিন্নবা।
- ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম, লৈবাক লৈহাওগী ঈনিলগী ফীভম কূপ্না শেন্নবা।

৩) বাইও ষ্টিম্যুলেটর শীজিন্নদুনা মপূং ফাবা পোথোক পুথোকপা

৪) লৈবাক লৈহাওবু কা হেন্না লেংহন্দবা (কা হেন্না মতাং চাদনা লৈবাক খোইদবা)

- সোইল ইরোজন (লৈবাক লৈহাও চেন্থোকপা) থিংবা।
- লৈবাক য়ৈশিনবা থিংবা, লৈবাক হন্থনা খোইবা, শা-ষণনা শস্পোৎ খোইবা
- লৈবাক য়াকশিনহন্দবা, ওর্গানিক্কী মচাকশিং য়াওহনবা, মহৈ মরোং মখল হোংদোকপা, অহিংবশিংগী পত্থরবা (ওর্গানিক মেট্টর) হেনগৎহনবা।
- ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহনবা, কম্পোষ্ট শেম্বা, লৈমায় কুপশিনবা, মেন্যুর হাপ্পা।
- য়ূমদা শেম্বা হিংকুপকী হার শীজিন্নবা, ইফেক্টিভ মাইক্রো ওর্গানিজম/ইন্দিজিনস মাইক্রো ওর্গানিজম শীজিন্নবা।

৫) মহৌশাদগী ইরমদমগী মরূ শীজিন্নবা :

- ইরমদমগী পাম্বীশিং মশক খঙদোক্তুনা য়োকখৎপগা লোয়ননা দোক্যুমেন্ট তৌবা, মেপিং তৌবগা লোয়ননা মশক মগুণ খঙদোকপা।
- পূন্না চৎমিন্নদুনা পাম্বী মখল খন্দোকপগা লোয়ননা থাবগী মগুণশিং খঙদোকপা, মখোয়গী য়াম্না হৌফম ব্লোক, মফম মফমগী উৎলকপা মগুণশিংগী দেতা শেম্বা, মখোয়গী মগুণশিং তাকপা কেটলোগ পুথোকপা।
- লোকল প্রদক্সন অমসুং শন্দোক য়েন্থোক তৌনবগীদমক মফমশিং কম্যুনিতি সীদ বেঙ্ক কম্যুনিতি এন্টরপ্রাইজেস, ফার্মস সর্ভিস সেন্টরশিংগা খূৎশম্নদুনা লিংখৎপা।
- সীদ সোর্স লাইসেন্সিং হাংদোকপা : পাম্বীশিংগী জিনেটিক মেটরিএল শীজিন্নবা য়াবগী নীংতম্বা ফংহনবা, মদুদগী পুথোরকপা মখলশিংগী অকক্লবা অমত্তদা পীবা খুদোংচাবা/হক লৈহন্দবা।
- প্রোসেসিং অমসুং ভেল্যু এদিসন তৌদুনা শীজিন্নবা হেনগৎনবা তোঙানবা পুথোরক্লিবা মখলশিংগী মগুণ হাপকৎপীবা।

৬) শা-ষণ হাপচিন্দুনা লৈহাওগী ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহনবগা লোয়ননা লৌউ পোৎচঙ পুথোকপা।

৭) খোইবা, থাবা, হাবেংবা অসিনচিংবা লৌউ কাঙলোন (এগ্রোনোমিক প্রাক্তিস) গা লোয়ননা মনা মশিংদগী শুংবা হীদাক্লা লায়না তীলনা ঙাকথোকপা

৮) খূৎশেমগী হার, তীলহাৎ হীদাক, নাপী হীদাক অসিনচিংবা শীজিন্নবা য়াদবা

- তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিং পূন্না শীজিন্নদুনা লায়না তীলনা হেঞ্জিল্লকপদগী কনবা (আই পি এম)
- মহৌশানা খল (বেলেন্স) অমা পুরক্তুনা লায়না তীলনানা পোথোক মাঙহনবগী ঙাকথোকচবা।
- মীওইবা ঐখোয়না য়েৎশিনবীরুবা তৌদবনা মহৌশানা মশা মতোমতা চপ চাবা খল অমদা লাকচদুনা খূৎশেমগী তীলহাৎ হীদাক মথৌ তারক্তে।
- তীল কাঙগী বাইওলোজি অমসুং থারিবা পাম্বীগী অকোয়বগী ফীভম মুন্না খঙবা মথৌ তাই। মসিনা শেন্নবা লায়গনি - পাম্বীদগী শুংবা, হিংকুপ্না শাবা হীদাক য়ূমদা শেমজবা নৎত্রগা কমর্সিএল থাক্তা শেম্বা।
- পেষ্ট সর্ভিলেন (লায়না তীলনা কুপশেন শেন্নবা) : ফামগী থাক অমসুং খুঙ্গংগী থাক্তা ত্রেপ শীজিন্নদুনা সর্ভে তৌদুনা মশক খঙদোক্লবা হোৎনবা অমসুং অখঙ অহৈশিংদগী পাউতাক লৌনবা হোৎনবা।
- অচম্বা খূৎলায়শিং - ফ্লিপ চার্ট (লায়না থিবা য়াবা চার্ট), অইবা মচাক, অতোপ্পা পান্থৈশিং শীজিন্নদুনা প্রোব্লেম খঙদোক্লবা হোৎনবা।
- লৈকায়দা বাইও ফর্টিলাইজর অমদি অতৈ পোৎচং পুথোক্তুনা অমদি য়োনবগী দুকান হাংহন্নবা শিনবা।
- চয়োলগী ওইবা লায়না তীলনাগী ফীভমগী মরমদা পাউতাক/পাউজেল শন্দোকপা। ●